# গাড়িগী অমনবা পার্টশিং শিজিন্নদুনা হকচাং শাজেল তৌবা য়ানবা খুৎশু-খুৎলায়শিংসু ঐখোয়না শেমজরকখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

অকাউ-পরে চল্লুরবশিং



লৌরেম্বম দয়ামোয়
*ভেটরান প্লেয়র*

(ঙরাংগী মখা)

ৱেথ লিফটিংসি করমহায়না শান্নরকপগে হায়বদা, ঐখোয় ইমুংদি গাড়ি লোইবনিনা গাড়িগী পার্টশিং অসি শীজিন্নরগা থাঙ্গৎপা য়ানবা মওংদা শেন্নগা শান্নজরকখি। হৌজিকসু শান্নরম্বগী খুৎশু-খুৎলায়শিং অদু লোইনা লৈরি। দম্বেলগা শান্নবা, য়োৎকা থাঙ্গৎতুনা সুম তৌবসিদগীদি হকচাংসি য়াম্না ফগৎলকখি। ৱেথ থাঙ্গৎতুনা শান্নবসিমদি ইমানা কন্না থিংবদগী অদুম তোকখ্রে। মরক্তুদা য়াঙলেমগী তা বিরমঙ্গোলনা বোদি বিল্ডিংগী কাংলোন ময়ামসি তাকপীরকখি। নঙদি নশাসু ফবনিনা মিষ্টর থোকপা য়ানি, চাং নাইনা হেক শান্নবদা মসলগসু তাহন্নিংবা মওংদা শেন্বা য়াগনি হায়দুনা মদুমসু কন্না শান্নরকখি। হকচাং ফবসি পামজবনিনা ঐখোয় তরেৎ-নিপালসি পুনশিল্লগা শাজেনসি মথং মথং তৌরকখি। ঐমক্তী মিষ্টর কনটেষ্টতদি য়াওরকখিদ্রে। অতৈ অতৈ স্পোর্টস ইভেন্ট ময়াম অমসু শান্নবনিনা তৌজরিবা শাজেলদু হকচাংগী ওইনা খল্লগা শান্নবদি মতম খরা অদুম শান্নজরকখি। ঐখোয় শান্নমীন্নরিবা মরক্তা মিষ্টর মণিপুর তাখিবা, মঙ্গি, সেকেন্দ অমদি থার্দ লৌখিবা নোরেন, সোহোদেব, চন্দ্রমনি অদুগা ককৱাদগী চাতুকিনি, ঐখোয় খরসি য়াম্না নুংশিননা লুনা-চান্না লোইনজরকখি। চাতুকিনিসিসু থ্রোদা মমিং লৈখিবা শান্নরোয় ওইখিবনি। ঐখোয় ময়ামসিগী নুংঙাই-নুংঙাইবা ৱারী ময়াম অমসু লৈ। নহা ওইরিঙৈদা ঐখোয়সি মরুপ মপাং ওইনা য়াম্না নুংশিনা লোইনজরকখি। ঐনা পাখঙ মচা ফারকপা, কন্না শান্নজরীঙৈ মতমসিদা ইমানা ঐগীসু সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মতমগ জিপ লুপা ৪,৫০০ পীবা অমা লৈবিখি। হায়রিবা জি পতুদা ঐখোয় ইমান্নবা মঙা-তরুকসি পুল্লব-পুল্লব তৌরগা য়াওশঙ কোইবসি চৎমীন্নরকখি। গাড়িসি লৈশাবী ময়াম শেল মুল্লম্বা মফমসিদা থওইনা জর জর থৌজিনদোইনি। মদুদগী গাড়িসি মনিং হনবসিদনা খোঙবান্দা জর থৌদদোইনি। শেল মুল্লম্বা লৈশাবী ময়ামসিসু ঙক্লা গাড়ি খোঙবান্দা তারে হায়দুনা কোইলাং লাংবা মতাংদুদা ঐখোয় ময়ামসি ফন ফন চোংথরগা কোম্থোংচৈ অহুম থিঙজিল্লগা জিপসি থাঙ্গৎতোইনি। ঐখোয়সি হকচাং ফবা ঙাক্তনি হায়বদু সো উৎননবগীনি। ঐখোয়না খোঙবান্দগা থৌদরিবদুসু মদুদা নুংঙাইজরিবনি। মতমদুদদি য়ুম খুদিংমকসিসু কোম্থোং লোইনা পান্নরম্মী। লৈশাবী ময়াম মমাংদুদা অদুম্না তৌখিবদু মতমদুদা য়াম্না নুংঙাইখি। মফম হোং হোংদুনা য়াউশঙ মনুংসিদা থওইনা চৎলগা খোঙবান্দা জিপ থৌদবসি ঐখোয়গী নুংঙাইজবী ওইরকখি। হৌজিক্তা নীংশিংলুবদা নোক্লিংলকই। নহা ওইরঙৈ হায়বসিদি মথোং চাবা নত্তে। মদুদগী হল্লক্লগা ঐখোয় ময়ামসি য়েনসি খাংজাও অমা থোঙলগা চাদোইনি। হকচাং ফবা ঙাক্তনিনা ওন্থোক্লা য়াম্না চাখ্রপোৎনি। ঙসিদি লৈখিদবসু য়াওখ্রে। মরুপ চাতুকিনি লৈখিদ্রে, চন্দ্রমনিসু থা অহুমরোম ফারে, লৈখিদবা। মরুপ-মপাংশিংদু মথং মথং নীংশিংলকই। ঐখোয় খরা অমদি মতম শাংনা লোইনজরকখি। শান্ন-খোৎনবা থৱায় য়াওবা, ৱাখল মান্নজবা ঐখোয় ময়ামসিদি অয়াম্বা মতমদা পুল্লকখি।

হকচাং শাজেল কন্না তৌরকপা মতমসিদা বোদি-বিল্ডিংগী মেগাজিনসিসু, মখল মখল চেল্লকখি। মেগাজিন্দা য়াওরকপা মালেমগী অফাওবা বোদি বিল্ডিরশিংগী শওং-শাদাসি করমহায়না ট্রেনিং তৌরিবজাৎনো হায়দুনা ঐখোয়সি পুনশিন্নরগা মদু তানবা শান্নরকখি। লাইরিকসি ঐগীসু ফনা য়াম্না লৈরম্বনি। মথং মতং ৱাইরগা য়েঙনখিবদগী ইশাদা লৈহৌদবনি।

অদুগা, শাজেল তৌবগী মতাংসিদা, ঐহাক্লা হৌজিকফাওবা নীংশিংজবা ৱারী অমসু তমজগে, সী সী স্কুলদা ক্লাস এইট কাবা মতমসিদা, থাঙ-তাগা লোইননা মৈতৈগী শরিৎ-শরাক্কী অকুপ্পা কাঙলোনশিং অসিসু স্কুলসিদা তমজরকখি। হায়রিবা মতমদু, চিঙাখমগী ওজা পীশক্লা সী সী স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরি। ওজ ।সিনা ঐখোয় মহৈরোয়শিং অসি থাঙ-তা হৈননবগীদমক, ওজা শম্ভু অমদি ওজা হেরামোটতা থা-তাগী শাজেন-কাংলোনশিং অসি তাকহল্লকখি। ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী শীজিন্নরক্লবা শজেন-কাংলোনশিং অসিদা অঙক-অঙকপা কয়াসু য়াওরমখি। ঐনা থৱায় য়াওনা হোৎনবদুনা, ওজা অনী অসিনা মরু ওইবা কাংলোন অহুমখকসু থওইনা ঐঙোন্দা তাকপীরকখি। ঙসিফাওবা ঐহাক্সু ওজাশিংনা তাকপীরম্বা কাংলোনশিংদু চুম্না শীজিন্নজরি। য়েক্লবগা লম্বা পানবা মতমদা ইশাবু ঙাকথোকচনবা, খঙহৌদনা নাকন্দগী এটেক্ট তৌরকপদা মীনা লাকচদনবা, মায় মায় ওনশিন্নদুনা হেন্দ-শেক তৌনবা মতমদা মীনা লাকশিনবা ঙমদনবা হায়রিবশিং অসিগী মতাংদা অকুপ্পা কাংলোনশিং নীংথিনা তম্বীরকখি। ঐখোয়গী অহল-লমনশিং, থাঙ-তাগী ওজ ।শিংনা পায়বীরম্বা কাংলোনশিং অসিদা অরুবা কয়া অমসু য়াওরি। পুম্নমকসি ওজাশিংদুগা মতম খরা লোইনজহৌবদুদা খঙজহৌবনি।

*... মথং মথং ...*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মণিপুরদগী ১০ য়াওবা য়ু-১৫ নেসনল ফুটবোল টিম থাইলেন্দ টুরগীদমক খোঙশানখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮(এজেন্সী)ঃ

মণিপুরদগী ফুটবোল শান্নরোয় ১০ য়াওবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম থাইলেন্দদা প্রিপেরেটোরি টুরগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

থাইলেন্দগী ক্লব ৪গা মেচ ৪ শান্নগদৌরিবা অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয় ১০ ইন্দিয়াগী টিম অদুদা য়াওরিবনি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা এএফসিয়ু-১৬ চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফাইয়র শরুক য়াননবা টুর অমা ওইনা ইন্দিয়াগী য়ু-১৫গী টিম অসিনা শান্নগদৌরিবনি।

মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা সোরোকখাইবম প্রিতম মীতৈ, পাওগাওমাং সিংসোন অমসুং হালেন নোংদুনি। মিদফিল্ডদা লৈমপোকপম সিজবজিৎ, তোংব্রম মহেসন, লোইতোংবম তাইসন, সপাময়ুম রতনবী, য়ুম্নাম রেনেদি মৈতৈ অমসুং সুখাম য়োহেনবা মৈতৈনি। অদুগা ফোৱার্দতা নোংমৈকাপ্পম সিদার্থনি।

ইন্দিয়াগী টিম কোস ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্নাদেজনা ফোঙদোকখিবদা টুর অসিনা য়াম্না কান্নবা ফংগনি হায়না থল্লক্লি।

অহানবা মেচ অদু জুলাই ৩০দা বেংকোক গ্লাস এফ সিগা থেংনগনি। অনীশুবনা ওগষ্ট ৪দা মুৱাং থোংগা শান্নগনি। ওগষ্ট ৬তা সোনবোরেগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অরোইবা মেচ অদু ওগষ্ট ৯দা এসুমসন য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকা শান্নগনি।

## জপান ওপন বেদমিন্টনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৈবাক অদুমক্কী মোমোতা অমসুং য়মাগুচিনা লৌখ্রে





টোকিও, জুলাই ২৮(এজেন্সী)ঃ

টোকিওগী মুসাসিনো ফোরেষ্ট স্পোর্টর্স প্লাজাদা পাঙথোকপা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদু য়ুম্নু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় কেন্তো মোমোতা অমসুং অকানে য়মাগুচিনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতানা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু ষ্ট্রেট গেম অনীনা ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইরগা টাইটল অদু লৌখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা জপানগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় নোজোমি ওকুহরাবু ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় অকানে য়মাগুচিনা ২১-১৩, ২১-১৫দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

থা অসিগী ২৩দগী শান্নবা হৌরকখিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা বি সাই প্রনিথ সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাক টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবা জপানগী কেন্তো মোমোতানা সেমি ফাইনেলদা ২১-১৮, ২১-১২তা থোইরম্বনি।

ঙসি নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অনীগী লম্বা ওইখি। নম্বর ১ সিদেদ পেয়র মার্কস ফর্নালদি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকামুলজোনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র মুহমদ অসান অমসুং হেন্দ্র সেতিয়াৱানবু ২১-১৮, ২৩-২১দা থোইরগা কংলুপ অদুগী মকোক ওইখি।

নুপাগী দবলসতা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী পেয়রনা লম্বা তৌখি। নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবা জপানগী মায়ু মাটসুমোটো অমসুং ৱাকানা নগাহরাবু সাউথ কোরিয়াগী কিম সো য়োং অমদি কোং হি য়োংনা ২১-১২, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসতা চাইনাগী টুর্নামেন্ট অদুদা ২শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী প্রবিন জোর্দান অমসুং মেলাতি দিবা ওক্তাভিয়ান্তিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-১৬দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

## থাইলেন্দ ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অসিস কুমারনা অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল ফংখ্রে





বেংকোক, জুলাই ২৮(এজেন্সী)ঃ

থাইলেন্দনা য়ুম্মু ওইনা বেংকোক্তা পাঙথোকপা থাইলেন্দ ওপন ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল অদু কে জি ৭৫গী কাংলুপ্তা অসিস কুমারনা ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল ১ য়াওবা সিলভর মেদল ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ থারগা পুন্না টুর্নামেন্ট অসিদা মেদল ৮ ফংখি। এসিয়ান চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অসিস কুমারনা ঙরাং অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর কিম জিনজৈগা লম্বা তৌনখি।

বাউট অদু অসিস কুমারনা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী বাউট অদুগী জজ মঙামক্লা অসিস কুমারদা পোইন্ট হেন্না লোইনা পীখিবদগী ৫-০দা মায় পাক্লগা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ইন্টর্নেসনল গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদু মালেমগী লৈবাক ৩৭ তগী অফবা বোক্সর কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপনি। মদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল অমা য়াওনা পুন্না মেদল ৮ ফংবা ঙম্বা পার্ফোমেন্স অসি ফজবা পর্ফোমেন্স অমা ওইরি।

ষ্টান্দিয়া কপকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমসুং মমাঙদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্বী নিখত জারিন কে জি ৫১গী কাংলুপ্তা এসিয়ন গেমসক গোল্ড মেদলিষ্ট চাং য়োনগী মখুৎতা পোইন্ট ০-৫দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

এসিয়ান চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট দিপক্লা কে জি ৪৯গী কাংলুপ্তা উজবেকিস্তানগী বোক্সর মিরজাকমেদোফ নোর্দিজেনগী মখুৎতা ফাইনেল অদু ০-৫তা মায়থীদুনা সিলভর ফংহৌখি।

অমরোমদা, জি বি বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী মুহমদ হুসামুদ্দিন কে জি ৫৬কী ফাইনেলদা থাইলেন্দগী সাটচাই দেচা বুটদিগী মখুৎতা ০-৫তা মায়থীরগা মহাকসু সিলভর মেদল ফংখি।

কে জি ৮১গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ব্রিজেস যাদব থাইলেন্দগী বোক্সর অনাৱদ থোংক্রাটোককী মখুৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা ইন্দিয়াগী ৪শুবা সিলভর অদু ফংখি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী মঞ্জুরানি, ভগ্যবতি কসারি অমসুং আসিস মখোয় মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাউট মায়থীবদগী ব্রোঞ্জ ফংখি।

## জোর্জিয়াগী নিকোলোস বসিলাসভিলিনা হেমবর্গ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে





হেমবর্গ, জুলাই ২৮(এজেন্সী)ঃ

জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা পাঙথোকপা হেমবর্গ ওপন (জর্মন ওপন টেনিস চেম্পিয়নশিপ) টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গল টাইটল অদু জোর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগ ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা রসিয়াগী শান্নরোয় এন্দ্রি রুব্লেবকা থেংনখি। সেমি ফাইনেলদা নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু ৬-৪, ৪-৬, ৭-৬ (৭-৫)তা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুস্তাবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-১দা থোইরম্বনি।

ঙসি ফাইনেল অদুগী অহানবা সেটতগী হৌরদুনা শান্নরোয় অনীমক লম্বা মান্নখি। গেম ১০ ফাওবা শান্নরকপদা গেম ৫-৫ থোইনদুনা লাকখি। থংনবা গেম নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা থোইখি। অদুগা ১২ শুবা গেম অদুসু মহাক্লা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবতগী মুন্দুনা ৭-৫তা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ফজবা হেল্লকপদগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম মান্নখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা ঙন্না রুব্লেবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অদুনা খুদোংচাবা লৌরগা সেট মখা চথুরকখিবা মহাক্কী মশাগী সার্ভিস গেমসশিং অদু শোইহনখিদবদগী ৬-৩দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৩ শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ও মরাক অমসুং জুর্গেন মেলজরনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র নেদর্লেন্দসকী রোবিন হেজ অমসুং দল্লীয়ু কুলহোপকা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট অদু ওষ্ট্রিয়াগী পেয়র অদুনা নেদলেন্দসকী পেয়রগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদু টাইব্রেক্তা মখোয়না ৭-৩দা থোইরগা টাইটল ফংখি।

## বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস থাইলেন্দগী কুনলাবুথনা লৌখ্রে, নুপীগীনা চাইনাগী জৌ মেংনা ফংখ্রে





সুজৌ, জুলাই ২৮(এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সুজৌ সিটিদা লৈবা ওলিম্পিক স্পোর্টস সেন্টরদা থা অসিগী ২০দগী শান্নরকখিবা ২২রক শুবা বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু থাইলেন্দগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় কুনলাবুথ ভিটিদসার্ননা ফংখ্রে। অদুগা নুপীগী চেম্পিয়ন অদুনা চাইনাগী ঝৌ মেংনা লৌখ্রে।

পনবায়াই, ৱর্ল্ডনম্বর ১ শান্নরোয় থাইলেন্দগী কুনলাবুথ ভিটিদসার্ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংবু মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙসি কুনলাবুথ ভিটিদসার্ননা ফাইনেল অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী লিয়ু লিয়াংবু ২১-১৪, ২১-১৩দা ইকোম কোম্না মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তনা চাইনাগী শান্নরোয় অনীগী লম্বা ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী ঝৌ মেংনা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় হান কিয়ানজিগা লম্বা তৌনবদা প্রেসর ইরৈ লৈতনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১২, ২১-৯দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ পেয়র চাইনাগী দি জিজিয়াং অমদি ৱাং চাংনা ২ শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী রিও রোলি কর্নন্দো অমসুং দেনিয়ল মার্টিনগী লম্বাদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-৯, ১৫-২১, ২১-১৯দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেচ অদু চাইনাগী পেয়র ঙাক্তা ওইখি। ২শুবা সিদেদ পেয়র লি য়িজিং অমসুং লুও জুমিননা চেন য়িংজে অমুং ঝাং সিবু ২১-১৭, ২১-১৭দা থোইরগা মকোক ওইখি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দোনেসিয়া অমসুং চাইনাগী লম্বা ওইখি। নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী লিও রোলি কর্নান্দো অমসুং ২শুবা সিদেদ চাইনাগী ফেং য়াংজে অমসুং লিন ফাংজিংগা শান্নবদা অহানবা গেম অদু চাইনাগী পেয়র অদুনা ২১-১৬দা থোইরবা মতুং ২শুবা অমদি ৩শুবা গেম অদু ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা ২২-২০, ২২-২০দা থোইরগা টাইটল ফংখি।